থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# রুরেল দিভলপমেন্ট-ইন্দিয়াদা ওইথোক্কদ্রা?

**স্কুল** তম্লিগৈফাও’ অদুক হকচিন্না খল্লুদে- ইন্দিয়াসিবু চাউখৎলবা লৈবাক্লা? নৎত্রগা চাউখৎতবা লৈবাক্লা? হিষ্টরি, জিওগ্রাফি, সোসল সাইন্স, বেসিক সাইন্স, মোরেল সাইন্স অমদি লিটরেচর- খজিক খজিক তম্লকপনা চাউরগা করি ওইগদগে? অরেপ্পা মঙ লৈখিদে। মাই এইম ইন লাইফ -এসে লাইরিক্তা ইরম্বদু চীনফা পুদুনা ইরকখিবনি, পরিক্ষাগীদমক খন্দুনা, পুন্সিগা মরী লৈনখিদে। তম্লকখিবা/পারকখিবা লাইরিকশিং অদুনা পুন্সিগী পান্দম (এইম) অমা শাগৎনবা, চহী মতাংদুদা, মচাক হাপ্পা ঙমখিদে। পরিক্ষা পাস তৌবা (ফার্ষ্ট, সেকেন্দ, থার্দ দিভিজন) অদুখক্তনি খল্লকখিবা। হিন্দী ফিল্মগী শকহেনবী হিরোইনশিংগা মঙদা তোয়না লুহোংলিগৈ মতমদুদা, তম্লিবা লাইরিক অসিনা তুংগী পুন্সি শেম্লক্কনি- নোংমতসু খন্থখিদে।

য়ু পি’দা বি এস সী (এগ্রি) ফাইনেল য়র তম্লিগৈ, নোংমা নুমীদাংৱাই অমা নোর্ৱে’দগী লাকপা টুরিষ্ট নহা অনীখক (নুপা অমা, নুপী অমা) থেংনদুনা ৱারী শানখিবা অদুনা ঐখোয়গী এদ্যুকেসন সিষ্টেমসিগী অশোয়বা খঙবা হৌরকখিবনি। ‘লম কোয়বা লাক্লগা, দিল্লি-আগ্রা-জয়পুররোমদা চৎতদনা য়ু পিগী লৱায়সিদা করি য়েংবা লাক্লিবনো?’ ঐনা হংজীনখিবনি। মখোয় অনীমক্কা, স্কুল ষ্টদি লোইদ্রিগৈ তৌদ’য়াদবা প্রোজেক্ট ৱার্ক অমগীদমক ‘ইন্দিয়ন ভিল্লে’ হায়বসি খল্লুবদা গভর্ণমেন্ট’না পৈশা পুথোক্লগা ‘ইন্দিয়াগী খুঙ্গংশিং’ য়েংবা লাক্লিবনি। ইন্দিয়ানফাও খঙনবা হোৎনদ্রিবা ইন্দিয়াগী মশক অমা মীরম মচানা নৈনবা লাক্লি-ঙকখিবনি ঐ। চহী নিফুগী মমাঙগী ৱানি। করম্বা ইন্দিয়ন ইনষ্টিট্যুসন নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটিদা ঙসি ফাওবসিদবু অসিগুম্বা থবক থৌওং লৌখৎপা থেংনখ্রবগে? খুঙ্গং’ঙাক্তনা শেম্বা ‘ইন্দিয়া’সিগী রুল্লর (লৈঙাকপা)শিংনসু ‘ইন্দিয়ন ভিল্লেজ’, ঙসি ফাওবা মশক খঙদ্রি।

ঙসিগী ইন্দিয়াগী লৈঙাক-পুরেন, নরেন্দ্র মোদিনা লৈঙাক শক্তি পায়রকগৈ মঙলান অমা শাগৎখি। মদুদি, ২০২২ ফাওবগী মনুংদা ‘ইন্দিয়া’ চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহনগনি। অচৌবা মঙ অমনি। অচৌবা চেল্লেঞ্জ অমনি। অদুগুম্বা চেল্লেঞ্জর পোলিটিসিয়ন ওইবগীনি-



ঐনা মাবু য়াখিবা। খনখিবনি তত্তনা-ৱাশক্তু ঙাকপা ঙমগদ্রা? ৱাজাও ঙাঙবা তাগদ্রা? ৱাশক চেৎপা, হোৎনবা কনবা জাতি অমা ওইরম্লবা মশানা লৈবাক ঙাকচরকপা, নীংতম্বা লৈবাক ওইরকপা চহী হুম্ফুতরা শুদৌরবা ফাওবদা চাউখৎপা লৈবাক ওই’ঙমদ্রিবা লমসিবু, তেনখ্রবা মতম অসিদা চাউখৎপা লৈবাক ওইহনগনি ৱাশক্লিবা- মশাগী মঙফম তৌজবা থৌওং তাদুনা তোক্কদ্রা! ৱারুবনি ইথন্তা।

ইকোনোমিষ্ট অমগী মীৎয়েংদগীরা? নৎত্রগা, সোসল সাইন্টিষ্ট অমগী মীৎয়েংদগীরা? মদুমদি ঐ খঙদে। লৈবাক অমগী মশক লেপ্পদা ৱাহৈ অহুমখক শীজিন্নবা থেংনৈ- ১) দিভলপ কন্ট্রি (চাউখৎলবা লৈবাক); ২) দিভলপিং কন্ট্রি (চাউখৎলক্লিবা লৈবাক) অমদি ৩) অন্দরদিভলপ কন্ট্রি (চাউখৎত্রিবা লৈবাক)। চাউখৎপা অমদি চাউখৎতবা লৈবাক হায়বসি কদায়বু কৌবগে-ৱারেংসিদা নৈনজররোই। নোংপোক নোংচুপ অনীগী ৱাখল্লোন খেন্নবগী মতুংইন্না ‘দিভলপমেন্ট ইন্দেক্স’ মান্নদে। অদুবু, মালেমগী ওইনা য়ানরবা চাউখৎপগী ইন্দিকেটর অদু য়েংলুরগা, ইন্দিয়া হায়বসি ‘চাউখৎলক্লিবা লৈবাক’ হায়বদুগী মনুং চল্লি। টেলেন্ট, রিসোর্স, পোটেন্সিয়েল পুন্নমক্তু নৈনরুরগা, চহী হুম্ফুনিপান কনাগীসু মখা পোন্দনা, মদোম মরোমদোম লৈবাক ঙাকচরল্লুবা ‘ইন্দিয়া’না করিগী চাউখৎলবা লৈবাক ওইবা ঙমদ্রিবনো? হায়বা ৱাহং অসিনি ঙসিগী লাইরিক হৈরবা নহারোলশিংনা হংলিবা।

ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা খম থেংনা চাউখৎলকপগী মমি, খুঙ্গং-খুনয়া, চীংয়া তময়া শিনবা থুংনা তারবনা, ইন্দিয়ন খুদিংমক্কী ৱাখলনা খল্লি- চাউখৎপা হায়বসি লন্দন-পেরিস-নিউ য়োর্ককুম্বা সহরগী পুন্সিগী মরেক মহাও ফংবা, লম্বী-থোং অফবা, মৈ-ঈশিং ৱাত্তবা, অৱাঙবা-অনানবা য়ুমদা লৈবা, শুফম নোম্ফম ৱাত্তবা, শেল পায়বা মীশিংনা থন্না লৈবা মফম’দু চাউখৎপা লমদম অমনি। চীংয়া-তময়া, অহাংবা লমহাং, চীংনুং-মান্নুংদা লেনবা পুন্সি অদুনা চাউখৎতবা পুন্সিনি। চাউখৎপা লমদদি খুঙ্গং লৈবা য়াদবরা? খুঙ্গংগী পুন্সি হায়বসি চাউখৎতবা পুন্সিরা? মুম্বাই-দিল্লি-চেন্নাইসু, য়ুমকৈ-লম্বীনা চাউখৎপই ইন্দিকেটর ওইরবদি, চাউখৎপা সহর কৌবা য়াবনি। অদুবু মাইকেল জেক্সন’না হিংলিগৈ মহাক্কী ম্যুজিকল সো পাঙথোকপা য়াবা ওদিটোরিয়ম অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট অমনা লৈবা য়াবা হোটেল, ইন্দিয়াদা লৈতে হায়রমখি। খন্থনিংঙাই ওইবা, খন্দবা য়াদবা ৱাফমনি।

অর্বান লাইফ, অর্বানাইজেসনগা মরী লৈনবা দিভলপমেন্টকী ৱাফমসি ঙাইহাক তুংওইনখিসি। ইন্দিয়া’বু চাউখৎহনগে হায়রবা, রুরেল ইন্দিয়া’দা মরুওইবা মীৎয়েং চঙগদবনি হায়বসি জাতিগী মপা গান্ধী’না, ইন্দিয়া নীং তমদ্রিগৈদই হায়রক্লবা ৱাফমনি। ‘ইন্দিয়াগী ইকোনোমি’ ফগৎহন্নবা খুঙ্গংগী ইকোনোমি ফগৎহনগদবনি’- ৱাফম অসি ঙসিসু পোলিটিকেল স্লোগান অমা ওইনা অসুম লৈরি, রিএলিটিদগী লাপ্পা।

‘রুরেল দিভলপমেন্ট’ হায়বসি ঙসিদি গভর্ণমেন্ট অসিদা ‘মিনিষ্ট্রি’ অমা ওইরবা, ইচম চম্বা দিপার্টমেন্ট অমা ওইদ্রবনি। ইন্দিয়াবু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা খ্বাইদই মরুওইবা মিনিষ্ট্রি অদু ঐদি ‘রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ এদমিনিষ্ট্রেসন’নি খল্লি। অদুবু লম অসিদদি সেন্টরদসু ষ্টেট’তসু, মিনিষ্ট্রি অসি মিনিষ্টর ওইনিংবা অমদা পোৎহাপ ওইনা পীরবসু পান্নদবা, মিনিষ্টর অমা ওইরি হায়বগী ইগো অদু হাপ্লবা শেম্বা পোর্টফোলিও অমগুম লৌনরি। রুরেল দিভলপমেন্ট হায়বসি, সরকারসিগী চেরোলশিংনা হায়, খুঙ্গংদা লৈবা মীশিংগী শেন্থোক লম্বী ফগৎহন্নবা, মখোয়গী পুন্সিগী থাক ফগৎহন্না পায়খৎপা থবক থৌরম থৌরাংশিং অদুনি। মরম অদুনা লাউথোরকই- প্রধান মন্ত্রি গ্রাম সরক যোজনা (খুঙ্গং অমগা অমগা শম্নফম লম্বী ফগৎহন্নবা থৌরাং); দিনদয়াল-উপাধ্যায় গ্রামিন কৌশল্য যোজনা (রুরেল লাইবলিহুদ মিসন, খুঙ্গাশিংগী ইনকম হেনগৎহন্নবা মখল কয়াগী পাম্বৈ ফংহনবা); প্রাইম মিনিষ্টর রুরেল দিভলপমেন্ট ফেল্লো স্কিম; নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি এক্ট; সমপুর্ন গ্রামিন রোজগার যোজনা; সর্ব শিক্ষা অভিয়ান; সংসদ আদর্শ গ্রাম যোজনা; নেসনল সোসল এসিষ্টেন্স প্রোগ্রাম; প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনা/ইন্দিরা অৱাজ যোজনা অন্ত্যোদয় অন্ন যোজনা; প্রোভিজন ওফ অর্বান এমেনিটিজ ইন রুরেল এরিয়াজ... অসিনচিংবা স্কিম/প্লান/থৌরম/থৌরাং মশিং খঙদনদি লাউথোকপা। কনানা করি তৌরি? কনানসু য়েংশিন্দবা। খুঙ্গংগী খুঙ্গাশিং ময়ুম খুঙ্গং থাদোক্তুনা সহরদা লেবর ওইরুবনা ফৈ খন্দুনা চেন্নবা (অর্বানাইজেসন)গী চাং হেনগৎলকপা অসিনা সরকারগী রুরেল দিভলপমেন্ট প্লান, পাম্লিবা চাং অদু য়ৌনা মায় পাক্তে হায়বসিমদি থম্মোয় শেংনা য়াফম থোকই।

তোঙান তোঙানবা পর্সপেক্টিবতগী য়েংলগা, টেক্নোলোজিগী মপান তাংবা, শেলগী ৱাৎপা লৈহন্দবা, পুকচেল শেংবা থবকঙম্বা মীনা মথৌ পাংবা রুরেল দিভলপমেন্টকী থবক পায়খৎলবতদা ইন্দিয়া চাউখৎলক্কনি। মালেম শিনবা থুংনা কোয়রিবসিগুম্না ঐখোয়গী প্রাইম মিনিষ্টর’না ঐখোয়গী খুঙ্গংশিংদসু কোয়বীরবদি ঐ চাউথোক্লা হায়জগে-ঐখোয়না চিনা করিগী কিদৌরিবনো? চহী ৬৮ গী মমাঙদা মখোয় ঐখোয় মান্নবা থাক্তা লৈরম্লগা, ঙসিনা, চিনানা কদায়দা? ঐখোয়না কদায়দা? ইখুৎসিনা ইবা ঈকায়।

লৌশিং পুক্কে

# অঙাং উনবদা নুপী শিবগী থৌদোক

মমা-মপা ওইগদৌরিবশিংগীদমক্তদি মীরোনবা হায়বসি ৱাখল তয়াং তশোইবা মতমনি। তাইবঙদা নৌনা খোঙদারক্কদৌরিবা মচাগী চেংলৌ শক্তম উনিংবনা থাবুম ১০ ঙাইবদা অৱাবা ওইরিবনি।

লাইবক থীবদি মীরোল্লিগৈ মনুং অমসুং অঙাং উনবা তমদা মমা শিবগী থৌদোক হেক হেক থোক্লি। ৱর্ল্দ হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট মতুংইন্না ইন্দিয়াদা মিনিট মঙা খুদিংগী নুপী অমা মীরোনবা অমসুং অঙাং উনবদা শি হায়রি। নুপী অয়াম্বা পোষ্ট পার্টম ব্লিদিং নৎত্রগা পোষ্ট পার্টম হিমোরেজ হায়না খঙনবা অঙাং উনরবা মতুংদা ঈ হাথরকপদগী শিবনি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়খি, চহী খুদিংগী অঙাং উনবদা নুপী ৫,২৯,০০০ শিবগী মনুংদা ১৩৬,০০০ নৎত্রগা চাদা ২৫.৭ তি ইন্দিয়াদা থোকপনি।

য়াম্না শেংনা হায়রবদা নুপীনা অঙাং উনবদা শিবগী থৌদোক শরুক অহুম থোকপগী অনীদি অঙাং উনরবা মতুংদা থোকপনি। মসিগী মরুওইবা মরম্না পোষ্ট পার্টম হিমোরেজ (অঙাং উনরবা মতুংদা ঈ হাথরকপা) নি।

দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়, অঙাং উনরবা মতুং পুং ২৪ গী মনুংদা ঈ মিলিলিটর ৫০০ নৎত্রগা





মিলিলিটর ১০০০ দগী হেন্না হাথরক্লবদি মদুবু পোষ্ট পার্টম ব্লিদিং নৎত্রগা পোষ্ট পার্টম হিমোরেজ (পি পি ঐচ) হায়না খঙনৈ।

ইন্দিয়াদা পি পি ঐচগী চাং ৱাংবা মরম্না মিলেনিয়ম দিভলপমেন্ট গোল (এম দি জি) গী পান্দম ফংবদা খরা ৱানা থোক্কদৌরি। এম দি জি হায়বসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা নুপীনা অঙাং উনবদা শিবগী চাং হন্থহন্নবা থৌরাং অমনি। কুমজা ২০১১ দগী কুমজা ২০১৩ ফাওবদা ইন্দিয়াগী ওইনা অঙাং ১০০,০০০ পোকপদা মমা ১৬৭ শিখি। ইন্দিয়াগী ওইনা অঙাং উনবদা মমা শিবা, মেটর্নেল মোর্টেলিটি রেট (এম এম আর) খ্বাইদগী ৱাংবা আসামনি অমসুং খ্বাইদগী নেম্বনা কেরলানি।

ইন্দিয়াদা মেটর্নেল মের্টেলিটি রেট ৱাংবগী মরম পীরদুনা দব্লিয়ু ঐচ ওনা হায়খি, লৈবাক অসিদা ঈ পীবা (ব্লদ দোনেসন) গী চাং নেম্বা মরম্না ঈ মরাং কায়না লৈতে। মীওই বিলিয়ন ১.২ রোম লৈবা লৈবাক অসিদা চহী খুদিংগী ঈ য়ুনিট মিলিয়ন ১২ থম্বা মথৌ তাবগী মনুংদা শুপ্নগী মিলিয়ন য়ুনিট ৯ দগী হেন্না খোমগৎপা ঙমদ্রি।

মালেমগী অতৈ মফমশিংদা ঈ পীবগী চাং ৱাংবা মরম্না ঈ য়ুনিট কয়ামরুম খোমজিনবা ঙম্লবসু ইন্দিয়াদদি হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা ঙমদ্রি। ঈ মরাং কায়না থম্বা ঙমদবদগী পোষ্ট পার্টম ব্লিদিং নৎত্রগা পোষ্ট পার্টম হিমোরেজনা মরম ওইদুনা নুপী শিবগী চাং ৱাংবনি হায়রি।

নুপী অমনা অঙাং উনরবা মতুংদা অহানবা পুং ২৪ গী মনুংদা ঈ মিলিলিটর ৫০০ নৎত্রগা মিলিলিটর ১০০০ থোরকপা তারবদি মদুবু পোষ্ট পার্টম ব্লিদিং নৎত্রগা পোষ্ট পার্টম হিমোরেজ হায়না খঙনৈ। খুদোংচাবা অসি মায়োক্নরবা নুপীশিং মীহুন চোংবগী চাং হেনগৎলকই, লেপখৎপদা ৱান্থগে তৌরকই অমসুং নিংশা শ্বর থবেৎ-থবেৎ হোল্লকই। ঈ কা হেন্না থোকখ্রবনিনা নুপী অদু হকচাং ঈংশিল্লকই। ব্লদ প্রেসর হন্থরকই অমসুং পোত্থাফম খঙদবগা লোয়ননা ৱাখল চোইরকই। অঙাং উনখ্রবা মতুং চয়োল ৬ ফাওবগী মনুংদা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নরকপা য়াই। অয়াম্বা মতমদা অঙাং উনখ্রবা মতুংদা নুপী অদুগী য়ুটেরস চপশিল্লকপদগী খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নরকপনি। য়ুরেটর তৎপদগী নৎত্রগা ব্লদ ক্লোটিং তপ্পদগী খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নহল্লকপসু য়াই। কা হেন্না লুম্বা অঙাং পোকপা নৎত্রগনা মশাগী চহী ৪০ হেল্লবা মতুংদা অঙাং উনবা তারবদি খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নগল্লি।

চাউখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা অঙাং উনরবা মতুংদা ঈ হাথবগী চাং অসি চাদা ১.২ রোমনি। খুদোংচাদবা অসিনা নুপী শিহনবগী চাংদা চাদা ৩ নি। মালেমগী ওইনা নুপী ৪৪,০০০ দগী ৮৬,০০০ ফাওবা চহী খুদিংগী অঙাং উনবদা শিরি। সব সহারান অফ্রিকানগী ওইনা নুপী ১০০,০০০ অঙাং উনবদা কা হেন্না ঈ হাথবদগী নুপী ১৫০ রোম শিরি।

খুদোংথিবা অসি মায়োক্ননবগীদমক ব্লদ বেঙ্কশিংদা ঈ মরাং কায়না থম্বা মথৌ তাই। অদুবু ইন্দিয়াদদি চহী খুদিংগী ঈ য়ুনিট মিলিয়ন ১২ মথৌ তাবগী মনুংদা শুপ্নগী মিলিয়ন ৯ খক খোমজিনবা ঙল্লি। মরম অদুনা অৱাৎপা অসি মেনখৎনবগীদমক মীওই কয়ানা ঈ পীবা মথৌ তারি।

## লূ-হেনবগী পাউজেল পুবা রেল্লি চৎখ্রে, লূ নানবগী ৱাশক লৌখ্রে




ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন, নেসনল অর্বান লাইফলিহূদ মিসনগী মখাদা লৈবা এরিয়া লেবেল ফেদরেসন অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংনা খূৎশম্ননা শীন্দুনা ঙসি খ্বাইরম্বন্দদা লূ-হেনবগী পাউজেল পুবা রেল্লি অমা চৎখ্রে।

খোঙচৎ অদুগী মাংওইননা জি এম হোলদা ঙসি নুংথিল আই এম সীগী কোর্পোরেটর কয়া, এরিয়া লেবেল ফেদরেসন অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপ কয়াগী মীওইশিং পূল্লবা তুংদা লূ হেনবগী ৱাশকসু লৌখি। আই এম সীগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা লুচিংদুনা লূ হেনবগী ৱাশক লৌখিবা অদুদা পনখিবা মপূং ওইবা ৱাফমশিংদি মহাত্মা গান্ধীনা লূ-নান্‌বা অমদি লৈবাক্কী চাউখৎপগী মঙলানসু মঙলম্মী। হৌজিক ঐখোয়গী তৌগদবা ইথৌদি অমোৎ-অকায় শেংদোক্তুনা লৈবাক্কী থবক তৌবনি। ইশামক লূ-নান্‌বগীদমক মতম চুপ্পদা মীৎ-না শিংনা লৈগনি, মতম কায়থোক্কনি। চয়োল অমদা পুং ২ লূ-নান্‌বগী থবক শূদুনা লৈগনি। অমোৎপা হুন্দোকপগী থবক তৌরোই।

ইমুং-মনুংদগী, লৈকায়দগী অমদি থবক শূফমদগী হৌদোক্কনি। মালেমদা লূ-নান্না লৈরিবা লৈবাকশিং অসি মফম অদুগী মীওই খূদিংমক অমোৎপা মফম চাদনা হুন্দোকপগী থবক তৌদে। ৱাখল্লোনশিং অসিগা লোয়ননা খূঙ্গং অমদি লৈরকশিং লূ-নান্‌বগী ৱাখল্লোন শন্দোক্কনি। লূ-নান্‌বগীদমক থাংজিল্লিবা খোঙথাং অসিনা লূ-নান্‌বা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী মতেং ওইগনি। য়ুম অমদি দুকানগী অমোৎ-অকায় খূদিংমক দষ্টবিন অনীদা তোখায়না হাপকনি। অচোৎপা অমোৎ-অকায়না অশঙবা মচুগী দষ্টবিন অমদি অকঙবা অমোৎ-অকায়না হিগোক মচুগী দষ্টবিনদা হাপ্পুনা স্বাছ ভারত মিসনদা শরুক য়াগনি হায়বা অসিনি।

জি এম হোলদগী ঙসি আই এম সীগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা লমথারকখিবা লূ হেনবগী পাউজেল পুবা খোঙচৎ অদুনা বি টি রোদতা লাক্লবা মতুং শামু মখোঙ য়ৌরক্লগা অমুক হন্না বি টি রোদতা হল্লক্তুনা কংলা গেট মনাক্তা লমথুংফম ওইখি।

রেল্লি অদুগা মরী লৈননা ৱাঙাংলদুনা আই এম সীগী মেয়র এল লোকেশ্বরনা হায়খি, লূ-নান্‌বা লমদম অমা ওইহন্নবগীদমক মীপূম তিংনা ৱাখল তামিন্নবা চঙই। ঐখোয় খূদিংমক্কা লূ-নান্‌বগী ৱাখল্লোন লৈবগা লোয়ননা শীৎ-শেংবগী থবক তৌসি। মফম চাদনা অমোৎ-অকায় হুন্দাক্কুমসি। অমোৎ-অকায়শিং দষ্টবিনদা মফম চানা হাপচিন্দুনা চাইথোক্তনবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ‘ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা চাইনানা অপনবা পীনবা হোৎনরি’

ন্যু দিল্লি, ওক্তোবর ০২ (এজেন্সি): নাগা লালহৌলুপশিংনা সেন্টরগা ৱারী শান্নদুনা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা চাইনিজ এজেন্সিশিংনা অপনবা পীনবা হোৎনরে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাংবা থাক্কী ছোর্স পল্লদুনা অসাম ট্রিব্যুনদা ফোঙলকপা রিপোর্ট অমনা হায়, চাইনিজ এজেন্সিশিংনা অৱাং-নোংপোক লমদমদা লৈরিবা লালহৌলুপ য়াওনা মীওই কাঙলুপ খরদা ইথিল পীদুনা পিছ প্রোসেসতা অকায়বা থোকহন্নবা হোৎনরে। মতম কয়াগী মমাঙদগী চাইনিজ এজেন্সিশিংনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী লালহৌলূপশিংদা মতেং পাংদুনা লাকখিবনি।

করিগুম্বা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা তারবদি লমদম অসিদা মতম পুম্বগী ওইনা ঈং-তপ্পা ফিভম লৈরকপা য়াই খনবদগী চাইনানা অরোনবা এজেন্টশিং থাদোক্তুনা পিছ প্রোসেসতা অকায়বা থোকহন্নবা হোৎনবনি হায়রি। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা হৌজিক নাকল অমরোমদা নেসনল সোসলিষ্ট কাওন্সিল ওফ নাগালিম - আইসাক মুইভা (এন এস সী এন - আই এম) অমসুং অতোপ্পা নাকল অমদা নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি)গা ৱারী শান্নবা তারবসু ৱারোইশিন পুরক্নবগী মতাংদা অপুনবা য়ানচে অমখক খুৎয়েক পীনগদৌরি।

হৌজিকফাওবগী ওইনা নেসনল সোসলিষ্ট কাওন্সিল ওফ নাগালেন্দ - খপ্লাং (এন এস সী এন - কে)না ৱারী শান্নবদা শরুক য়ানিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈখ্রবসু অথুবা মতমদা নাগা ৱাথোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা য়ানচে অমা খুৎয়েক পীনরবা য়াই হায়না থাজনরি। ছোর্স অমগী মতুংইন্না নাকল অনী ৱারী শান্নবদা মরু ওইবা ৱাফম অয়াম্বা য়ানবা পুরক্লে হায়রি।

নাগা লূপ খরনা নাগা তাবা মফম পুন্নমক অমত্তা ওইনা পুনশিনবগী ৱাফম পুখৎলকখিবা তারবসু ৱাফম অসিমক্তি সেন্টরনা অয়াবা পীগদবা মান্দে। অদুওইনমক মণিপুর অমদি অরুনাচল প্রদেশকী নাগা তাবা মফমশিংদা মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাক্কী অয়াবা লৌরগা ওটোনমস কাওন্সিল শেম্লকপা য়াই হায়না থাজনরি।

### মফম অনীদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর০২: ইন্দিয়ন আর্মিগী থ্রি কোর ইন্টিলিজেন্স অমদি সর্ভিলেন্স য়ুনিটনা অরোনবা মীহাৎ চথদুনা মীওই মঙা হাৎখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অনীদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০১১ গী ওগষ্ট ১৮ দা দিমাপুরদা অশানবা য়ুম অমদগী ফারগা পুখিবগা লোয়ননা হাৎলগা মাঙহনখ্রবা জি জিতেশ্বর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মীওই মঙা হাৎখিবগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তোকপা মৈরা পায়বী এসোসিএসন অমদি জে এ সীগা পুন্না শীন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। অমরোমদা, মীহাৎ অসিবু য়ানিংদে হায়দুনা ৱাংজিং অপুনবা মৈরা পায়বী লুপনসু ৱাংজিং কৈথেলদা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

## স্পেসল গ্রাম সভা মীটিং পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর০২ (ঐচএনএস): স্পেসল গ্রাম সভা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মীসন অন্তদ্য দায়া লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অমা ঙসি থোংজু পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টনা শীন্দুনা থোংজু ফৈজা লৈতোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ক্ষেত্রিগাও সী দি ব্লোক্কী মখাদা পাঙথোকখিবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট বি দি ও ননেদা, থোংজু পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নামৈরাকপম কানোল, বাসিখোং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর চিরোম রোমিও, পঞ্চায়ট সেক্রেটরি মাইচোন, জি আর এস গীতানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি অমদি ৱার্দ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা বাসিখোং জিল্লা পরিষদকী মেম্বর চিরোম রোমিওনা ফোঙদোকখিবদা, চহী ১৮ শুরবশিংনা জোব কার্দকীদমক্তা মরী লৈনবা চে-চাংশিং থাজিল্লক্কবা মীয়ামদা ফোঙদোকখি। লোয়ননা পঞ্চায়ট হায়বসি মীয়ামগা য়াম্না নক্কনা থবক তৌবা ওইবনা মীয়াম্না হায়নিংবা ৱাফমশিং অমদি তাথোক তাশিন তৌদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা থোংজু পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নামৈরাকপম কানোলনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি লোঞ্চ তৌখিবা অন্তদ্য দায়া অসি গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী মনুংদা সর্ভে লাকপা মতমদা মীয়াম্না কো-ওপরেসন পীবীয়ু। লোয়ননা লৈকায় লৈকায়দা লৈরিবা চপ চাবা লুখ্রাবী মশীং, ঐচ আই ভিনা শোকহল্লবা মীওইশিং অমদি গ্যাস শীজিন্নবা অমদি শীজিন্নদবা ইমুং মশীং লোয়ননা য়ুমথোং খুদিংগী লো কোষ্ট লেট্রিন লৈবা অমদি লৈতবগী চপ চাবা রিপোর্ট পীদৌদুনা হয়েং স্কীম অসিগী মখাদা লৈঙাক্তগী কান্নবা লৌহৌনবা হোৎনসি হায়না মীয়ামদা আপিল তৌখি।

## ৮৯ লকশুবা মেরা চেঙবা হৈবা থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্তোবর০২: চহী খুদিংগী পাঙথোকপগুম কুমসিসু ৮৯ লক শুবা মেরা চেঙবা হৈবা, মেরা শন্দুব, ক্বাক তানবা, হৌ চোংবা, মেরা অপোকপা খুরুমিন্ননবচিংবগী থৌরম অমা থা অসিগী ২৩ দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াই লম্বী, য়ুম্নাম হুইদ্রোম তোপ সিফাইদা লৈবা শঙলেনদা পাঙথোক্কদৌরি হায়রি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা অপোকপা মরুপ ১৯৩০ গী থৌবুরেল নাওরেম তোম্বা মঙাংনা ফোঙদোরকপদা, ৮৯ লক শুবা অপোকপা মরুপনা শীঞ্জবা মেরা চেঙবা হৈবা, মেরা শন্দুব, মেরা ক্বাক তানবা, মেরা ৱায়ুংবা, মেরা হৌ চোংবা, উকায় ফালং কাপ্পা অমসুং মেরা অপোকপা খুরুম্বনচিংবা থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসিদা মণিপুরগী মপান কাছার, হোজাই, ত্রিপুরা, অসাম, মেঘলায়াদা খুন্দারিবা মৈতৈশিং লাক্কদৌরি। মমাংদা বংলাদেশকী ধাকাদা লৈবা মৈতৈশিংসু শরুক য়াবা লাক্লম্মী। অদুবু হন্দক্তি ভিজা লৌবদা অপনবা লৈবদগী লাকপা ঙম্লোইদৌরি। থৌরম অসি মণিপুর অমদি মপানগী ষ্টেটশিংদা মফম হোং হোংদুনা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। মসিদা ইরৈচাশিংনসু মতম চানা লাকপীদুনা শরুক য়াবিনবা মহাক্না আপিল তৌরি। নীনি চনবা মেরাগী পুর্নিমা নুমিৎতা তোঙান তোঙানবা খন্ন নৈনবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।




